## এন সি পি মচেৎ তারে, ওপোজিসন লিদর অজিৎ পৱার মহারাষ্ট্রগী দিপ্যুটি সিএম ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



**মুম্বাই, জুলাই ২ (এজেন্সী):** মরু ওইবা পোলিটিকেল খোঙথাং অমদা নোংমাইজিং নুমিত্তা মহারাষ্ট্র এসেমব্লিগী ওপোজিসন লিদর অজিৎ পৱারনা নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি (এন সি পি) মচেৎ তাহন্দুনা চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দে অমসুং দিপ্যুটি সিএম দেবেন্দ্র ফটনাবিসকী রুল্লিং সিব সেনা-ভারতিয়া জনতা পার্টি এল্লায়ন্সকী গভর্ণমেন্টদা দিপ্যুটি সিএম ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

অজিৎ পৱারগা লোয়নননা সগন বুস্পাল, দিলিপ ৱালসে-পাতিল, হাসন মুসরিফ, দনঞ্জয় মুন্দে, দরমা রাও বাবা আত্রম, অদিতি সুনিল টাটকারে, সঞ্জয় বান্সোদে, অনিল পতিল য়াওনা সেনিয়র লিদরশিং অমসুং এম এল এ কয়াসু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং ওইনা ৱাশক লৌখি।

মসি চহী অহুমগী মনুংদা পৱারনা দিপ্যুটি সিএম ওইনা ৱাশক লৌবা অহুল্লক শুবনি। অহানবা ওইনা মহাক কুমজা ২০১৯ দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফটনাবিসকী মখাদা মীওই অনীগী রেজিমদা দিপ্যুটি সিএম ওইনা ৱাশক লৌখি। মদু শুপ্পগী পুং ৮০ দমক চৎখি। মদুগী মতুংদা মহাক মহাবিকাস অগাদিগী এক্স সিএম উদব থাক্রেগা লোয়নননা ৱাশক লৌদুনা দিপ্যুটি সিএম ওইখি। হৌজিক্তা মহাক সিব সেনাগী সিএম সিন্দেনা লুচিংবা রুল্লিং এল্লায়ন্স অসিদা দিপ্যুটি সিএম ওইনা ৱাশক লৌরিবনি।

মসি মহারাষ্ট্রদা দিপ্যুটি সিএম অনী (ফটনাবিস অমসুং পৱার) লৈবা পুৱারীদা অহানবসু ওইরি। অজিৎ পৱারনা কুমজা ২০২২ গী জুনদা ওফিস পায়বা হৌখিবা সিন্দে মিনিষ্ট্রিদা মসিগী অহানবা নুপী মিনিষ্টরসু পীখ্রে। মিনিষ্টর অদুদি এন সি পিগী এমপি সুনিল টাটকারেগী মচানুপী অদিটি এস টাটকারেনি। ওইরক্লিবা খোঙথাংশিং অদুগা মরী লৈননা এন সি পিগী প্রসিদেন্ট শরদ পৱারনা পুনেদা মহাক্কা নকশিন্নবা এইদশিংদা হায়খি, মদুদি পার্টিনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু সপোর্ট তৌদে অমসুং অজিৎ পৱারগী গ্রুপতা য়াওরিবা খুদিংমক মরন্নাই লৌজখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্ননি।

অজিৎ পৱারগা খোঙবু ওইরিবশিং অদুগী চাদা ৮০ অথুবা মতমদা এন সি পিদা অমুক হল্লক্কনি হায়নসু পার্টি অসিনা ক্লেম তৌখ্রে। সিব সেনা (য়ু বি টি) গী এম পি অমসুং চীফ স্পোক্স পার্সন সঞ্জয় রাউটনা ঙসি ৱাশক লৌরিবা মিনিষ্টর অয়াম্বা অরুবা ইনফোর্সমেন্ট ইনক্বারিশিং মায়োক্নরিবা ঙাক্তনি হায়খি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা বিজেপিনা জেলদা থমগনি হায়না কিহনখিবা পুম্নমক হৌজিক্তি মিনিষ্টরশিং ওইহল্লে। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা সিন্দেনা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট অদু হৌজিক্তি ট্রিপ্পল-ইঞ্জিন গভর্ণমেন্ট ওইরগনি হায়খি।

অমরোমদা, মুম্বাইদা লৈবা রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা অজিৎ পৱারবু দিপ্যুটি সিএম ওইনা গভর্ণর রামেস বাইসনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুংদা আম আদমি পার্টি (এ এ পি) না পিএম নরেন্দ্র মোদিবু কন্না চৈ থাংলদুনা মহাকপু করপসন খ্বাইদগী চাওনা শৌগৎপা মীশক্তি হায়না মরাল শীখ্রে। পিএমনা করপসনগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়না গরেন্টি পীখিবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা পৱারবু সিব সেনা-বিজেপি কোল্লিসন গভর্ণমেন্টদা দিপ্যুটি সিএম ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি।

## ত্রিনামুলগী লিদর নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখ্রে, বেঙ্গলদা পঞ্চায়ট মীখলগী মাঙওইননা ভাইওলেন্সতা শিবা ১২ শুরে

**কোলকত্তা, জুলাই ২ (এজেন্সী):** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সাউথ ২৪ পর্গনাস দিষ্ট্রিক্টকী বসন্তিদা জিআর রুল মুলা কৌবা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী য়ুঠ লিদর অমা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



মীশি অসিগা লোয়নননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পাঙথোক্কদৌরিবা মরোল অহুমগী পঞ্চায়ট সিষ্টেমগী মীখলগী তারিখশিং থা অসিগী নিপানদা লাউথোকখিবদগী মীখল অসিগী মাঙওইননা হৌখিবা নুমিৎ ২৪ গী মনুংদা শিখিবা মী মশিং পুন্না ১২ শুরে।

পঞ্চায়ট মীখলগা মরী লৈনবা হাৎনা শুনবগী থৌদোকশিংদা শিখিবা মী মশিং পুন্না মরি শুদুনা সাউথ ২৪ পর্গনাস দিষ্ট্রিক্টনা ইহেন হেল্লে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বঙ্গরনা পুন্না মী অহুম ইলেক্সনগী ভাইওলেন্সতা শিদুনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা মফম ওইরি। ইনভেষ্টিগেসন হৌরকপদা মোলাবু হাৎলিবদু রুল্লিং ত্রিনামুল কংগ্রেস মনুংদা মত মান্নদবা অমদি য়েংথিনবা লৈবদগীনি হায়বসি খঙবা ঙল্লে হায়রি।

ইলেক্সনগা মরী লৈনবা মীশিংশিং লাউথোকপা হৌখিবদগী থৌওং অসি সাউথ ২৪ পর্গনাস দিষ্ট্রিক্টকী কেনিং অমসুং বসন্তি এরিয়াদা উবা হৌরকখি। হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদগী বসন্তিগী ফুমালাঞ্চা এরিয়াদা রুল্লিং পার্টিগী ফেক্সন অনীগী সপোর্টরশিংগী মরক্তা মচি মচিদা খুৎ থোক্লবা উখি হায়না লোকেল রেসিদেন্টশিংনা ফোঙদোক্লখি।

খ্বাইদগী নৌবা মীশিগী থৌদোক অদু মোলানা হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অহিং অথেংবদা ময়ুমদা হল্লকপদা মহাকপু মোটোর সাইকলশিংদা লাকখিবা মশক খঙদবা মীওই মঙানা খঙহৌদনা কোইশিল্লকখিবগা লোয়ননা থোকখিবনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। মহাক অনকপা রেঞ্জতগী নোংমৈনা কাপ্লন্নবা মতুং এটেক্করশিং অদু মফম অদুদগী য়াম্না থুনা নাম্থোকখি। মফম অদুগী মীওইশিংনা মহাকপু কেনিং-সব দিভিজন হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক ডাক্তরশিংনা শিরে হায়না লাউথোরকখি।

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী কেনিং (ইষ্টকী এম এল এ সৌকট মোলা) গী মতুং ইন্না মশক খঙদবা মীওই মরিনা জিয়ারুলবু হাৎখিবনি।

চৈরকসিদা লৈখিদ্রবা জিয়ারুলগী মচানুপী মনাওরা পিয়াদানা মহাক্কী মপাগী মীহাৎ অদুগী মতাংদা সি বি আইবু থিজিন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

## গজৱা-ই-হিন্দ টেরর মোদ্যুল কেসতা এন আই এনা ষ্টেট ৩ গী মফম ৪ দা রেইদ তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ২ (এজেন্সী):** হৌখিবা চহীদা বিহারদা অথিংবা থমখ্রবা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) চেন্নবা গজৱা-ই-হিন্দ টেরর মোদ্যুল খঙলকখিবগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না হৌজিক ষ্টেট অহুমগী মফম মরিদা রেইদশিং চথুরি।



কেস অদু নহা ওইরিবা মীওইশিংবু তোঙান তোঙানবা সোসল মেদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা ইথিল পীবগা লোয়ননা কা হেনবা ৱাখল চেলহন্দুনা শাথিরবা টেররিষ্ট এটেকশিং পাঙথোক্লবা হোনরম্বগা মরী লৈনরিবনি। কেস অসিদা বিহারগী এ টি এস অমসুং অতৈ ষ্টেট পুলিসনসু এন আই এদা মতেং পাঙলি।

এন আই এগী সেনিয়র ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা রেইদশিং অদু হৌজিক বিহারগী মফম অনী-দর্বঙ্গা অমসুং পটনা, উত্তর প্রদেশকী বরেল্লিগী মফম অমা অমসুং গুজরাটকী সুরাটকী মনুং চনবা মফম অমদা চথুরি। কেস অদুদা এন আই এনা হৌখিবা জনুৱারী ৬ তা বিহারগী স্পেসল এন আই এ কোর্ট অমদা মর্গুব অহমদ দনিসকী মায়োক্তা চার্জ সিট অমা ফাইল তৌখ্রবনি।

কেস অদু অহানবদা পটনাগী ফুলৱারি সরিফ পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং মতুংদা কুমজা ২০২২ গী জুলাই ২২ দা এন আই এনা অমুক হন্না রেজিষ্টর তৌখি।

অহমদ দনিস হায়রিবা মীওই অসি পাকিষ্টানি নেসনেল অমা ওইরিবা জাইন কৌবা মীওই অমনা শেমখিবা ৱাটচ অপ গ্রুপ গজৱা-ই-হিন্দগী এদমিন ওইখি। মহাক্না ইন্দিয়াদগী অমদি পাকিষ্টান অমসুং য়েমেন য়াওনা অতৈ লৈবাক কয়াদগী ইন্দিভিজুয়েল কয়া গ্রুপ অদুদা হাপচিনখি।

মীওইশিং অসি কা হেনবা ৱাখল পোকহন্নবা অমদি টেররিষ্ট এক্তিভিটিশিং পাঙথোকহন্নবা স্লিপ্পর সেলশিং শেম্নবগী পান্দমগা লোয়ননা গ্রুপ অদুদা য়াওহনখিবনি।

## কেরলাগী মুস্লিম বোদিনা সেন্টরগী য়ু সি সিগী থৌরাং য়ানিংদবা উৎখ্রে

**থিরুবনন্টপুরম, জুলাই ২ (এজেন্সী):** সুনি-সাফি স্কোল্লারলি বোদি অমা ওইরিবা সমস্থা কেরলা জেম-ইয়াটুল উলামানা সেন্টরগী য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ (য়ু সি সি) চৎনহন্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎখিবগা লোয়ননা মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কয়ানা সেন্টরগী খোঙথাং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্ন বা হেনগৎলক্লি হায়রি।

কেরলাগী ওপোজিসন কংগ্রেসনসু সেন্টরনা চৎনহন্নবা হোৎনরিবা য়ু সি সি মথৌ তাদে অমসুং পার্টি অসিনা কুমজা ২০১৮ দগী প্রপোজ লো অসিবু ওপোজ তৌদুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

ষ্টেট এসেমব্লিদা ওপোজিসন লিদর ওইরিবা বিদি সাতিসাননা হায়খি, মদুদি কংগ্রেসকী লিদর অমসুং পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ জয়রাম রামেসনা মমাঙদা কুমজা ২০১৮ দা য়ু সি সি অসি মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মদু হৌজিকসু ঐখোয়গী ফিরেপনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ওপোজিসন লিদর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি বি জে পিনা পাল্লিবা সেন্টরনা অসিগুম্বা থৌরাংশিংগী খুত্থাংদা মীয়াম্বু খাইবুং খাইবুং তাহন্নবা হোৎনরিঙৈ মরকসিদা কংগ্রেসনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মরক্তা য়ুনিটি পুরক্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা শাথিরবা ভাইওলেন্স থোক্লিবা মণিপুরদা চৎতুনা ষ্টেট অসিগী অৱাবা নঙলবা মীয়ামগা উন্নখি। মণিপুরদা থোক্লিবা হাৎনা শুনবগী থৌদোকশিংগী মতাংদা পিএমনা হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈরি হায়না সাতিসাননা ফোঙদোকখি।

সমস্থা কেরলা জেম-ইয়াটুল উলামাগী প্রসিদেন্ট মুহমদ জিফ্রি মুথুকোয়ানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মুস্লিমশিংদা নত্তনা অতৈ লাইনিং লন্থীশিং খৃষ্টানিটি, বুদ্ধিজম অমদি জৈনিজমনচিংবশিংনসু য়ু সি সি য়ারোই।

## দাম ইস্যু: কে পলানিশ্বামিনা কংগ্রেসপু চৈখ্রে ষ্টেলিনবু পপেট সিএমনি হায়খ্রে

**চেন্নাই, জুলাই ২ (এজেন্সী):** এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি কে পলানিশ্বামিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মেকে ধাতু দাম ইস্যুগা মরী লৈননা তামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এমকে ষ্টেলিন অমসুং কর্নাটকাগী কংগ্রেস গভর্ণমেন্টবু চৈ থাংখ্রে।



ষ্টেটমেন্ট অমদা পলানিশ্বামিনা হায়খি, মদুদি কর্নাটকা গভর্ণমেন্টনা কবেরি তুরেলদা মেকে ধাতু দাম শাজিনবগী ৱাফম অসি ষ্টেলিন গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনবা নত্ত্রগা হেন্দল তৌবা ঙমদ্রে। মেকে ধাতু অসি কর্নাটকানা প্রপোজ তৌখিবা থক্নবা ঈশিংগী অমসুং পৱারগী প্রোজেক্ট অমনি। মদুনা ষ্টেট অদুগী রাম নগর দিষ্ট্রিক্টকী কানাকা পুরাদা বেলেন্সিং রিজার্বর অমা শাহনগদৌরিবনি।

কর্নাটকাদা কাবেরি তুরেলদা দাম শাবা অদুনা তুরেল অসিদগী তামিল নাদুদা ঈশিং চেল্লকপদা অকায়বা থোকহনগনি হায়রদুনা তামিল নাদুনা দাম শাবগী খোঙথাং অদুবু য়াদদুনা লাক্লিবনি।

কাবেরি ৱাটর এগ্রিমেন্টগী মতুং ইন্নসু কাবেরি তুরেলদা দাম অমা শাবা হায়বসি মরী লৈনবা ষ্টেটশিংনা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনবা মথৌ তাই। প্রোজেক্ট অদুগী পান্দমদি বেঙ্গলুরু অমসুং নক্নবা মফমশিংদা থক্নবা ঈশিং ফঙহনবা অসিনি অমসুং প্রোজেক্ট অদুগী অপুনবা অচংমল লুপা ক্রোর ৯০০০ রোমনি।

ওপোজিসনগী লিদরসু ওইরিবা পলানিশ্বামিনা ষ্টেলিনবু চৈ থাংলদুনা হায়খি, মদুদি মহাক তামিল নাদুগী মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং সেফগার্দ তৌদবা পপেট চীফ মিনিষ্টরনি। ওপোজিসন লুচিংবা অসিনা সিএমবু কর্নাটকাগী দিপ্যুটি সিএম দিকে সিবকুমারনা মেকে ধাতু দাম শাবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখিবদা নীংথিনা ওপোজ তৌখিদে হায়নসু মরাল শীখি।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টর সিদ্রময়া অমসুং সিবকুমার য়াওনা কর্নাটকাগী কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা ওপোজিসনদা লৈরিঙৈদা মেকে ধাতু দাম শানবগী পান্দম উৎলদুনা ষ্টেট শীন থুংনা প্রোটেষ্ট খোঙচৎশিং পাঙথোকখিবনি।

হান্না চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা পলানিশ্বামিনা হায়খি, মদুদি মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা পৱার পায়রিঙৈদা মেকে ধাতু দাম ইস্যু অসি কাবেরি মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (সি এম এ) গী মীফমদা অমুক্তা খন্নখিবা লৈতে। কর্নাটকাদা কংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা ওফিস হেক পায়রকপগা সিবকুমারনা মেকে ধাতু দাম শাবগী ইস্যু অসি পুখৎলকখিবনি।

## লুকাসেনকোনা ৱেগ্নর আর্মিদা মহাক্কী মিলিটরিবু ট্রেনিং পীনবা হায়খ্রে

**মিন্সক, জুলাই ২ (এজেন্সী):** বেলারসিয়ন প্রসিদেন্ট অলেকসেন্দর লুকাসেনকোনা ৱেগ্নর গ্রুপকী মর্সিনরিশিংদা মহাক্কী মিলিটরিগী মীওইশিংবু ট্রেনিং পীননবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে।

ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি দেল্টাগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট লুকাসেনকোনা হায়খি, মদুদি ৱেগ্নরগী মর্সিনরিশিং মফম অসিদা লৈতবসি লাইবক থীবনি। করিগুম্বা মখোয়গী ইন্সট্রক্তরশিংনা মফম অসিদা লাক্তুনা ঐখোয়দা লাম্থেংনবগী এক্সপরিয়েন্স অদু ঐখোয়দা ফঙহনবীবা নত্ত্রগা খঙহনবীবা ওইরবদি ঐখোয়না মদুবু শোয়দনা একসেপ্ট তৌগনি। ৱাফম অসিমক ঐহাক্না মখোয়দা হকথেংননা খঙহনখ্রবনি।

লুকাসেনকোনা ৱাফম অসি ৱেগ্নরগী ফোর্সশিংনা মোস্কোগী মায়োক্তা চথুরকখিবা লালহৌ মহাক্না হোৎনদুনা লেপহনখিবা মতুং চয়োল অমরোম কান্নরগা ফোঙদোকখিবনি।

শাংলবা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী পোজিসনদা অকিবা পীবা থৌদোকশিং ওইনা ৱেগ্নরগী লুচিংবা য়িবগেনি প্রিগোজিন্না মহাক্কী ফোর্সশিংগা লোয়ননা মোস্কো তন্না চঙশিনবগা লোয়ননা রসিয়াগী সিটি অনীদা লৈরিবা মিলিটরি ফেসিলিটিশিং কন্ট্রোল তৌশিনখিবনি।

বেলারসকী প্রসিদেন্ট লুকাসেনকোনা ৱাতেমদুনা দিল অমা পুরকপদগী ক্রাইসিস অদু লোইশিনখি। দিল অদুগী মতুং ইন্না ৱেগ্নরগী লিদর প্রিগোজিন বেলারসতা লোই চৎপা তাখি। দিল অদুমক্তদা ৱেগ্নরগী ট্রুপশিং বেলারসতা চৎলগা রসিয়ন মিলিটরিগা নত্ত্রগা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগা সাইন তৌনবা নত্ত্রগা মখোয়গী ইমুংশিং অমসুং মরুপ মপাংশিংগা অমুক পুনবগী ওপসন পীখি।

## ইরানদা সস্পেক্ট ফানবা চথবা ওপরেসনদা পুলিস ওফিসার শিরে

**টেহরান, জুলাই ২ (এজেন্সী):** ইরানগী খা নোংপোক থংবা কেরমান প্রোভিন্সতা ৱান্টেদ তারবা সস্পেক্ট অমা ফাননবা চথখিবা ওপরেসন অমদা ইরানিয়ন পুলিস ওফিসর অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

বাফ কাউন্টিগী গভর্ণর ফারহাট হরাষ্টেগী ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়রিবদি ৱান্টেদ তারবা মীওই অমগী য়ুমগী থোঙদা এরেষ্ট ৱারেন্টকা লোয়নননা চঙশিল্লুবদা পুলিস ওফিসরশিংদা নোংমৈ কাপ্লকখি।

হরাষ্টেনা মখা তাখিবদা ক্রিমিনেল অদুনা থোঙ হাংদোরকপগা লোয়ননা ওফিসরশিং অদুদা নোংমৈ কাপ্লকখি। থৌদোক অদুদা শিখিবা ওফিসর অদু জবদ করিমি কৌই হায়নসু বাফ কাউন্টিগী গভর্ণর অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না অশোকপা ওফিসর অনী হোস্পিটলাইজ তৌখি। কেরমান প্রোভিন্সকী দিপ্যুটি পুলিস চীফ অব্দোল-অলি রবনবাক্সনা সেমি-ওফিসল টাস্লিম ন্যুজ এজেন্সিদা সস্পেক্ট অদু মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে। লোয়ননা কেস অদুগী মতাংদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি হায়না ফোঙদোকখি।

বাফ কাউন্টিগী প্রোজিক্যুটর ইনিয়া টোলা দেকানিগী মতুং ইন্না সস্পেক্ট অদু ক্রিমিনেল রেকোর্দশিং লৈবা মীশক্তি অমসুং মহাক্না ওফিসর অদু হাৎপদা একে রাইফল অমা শীজিন্নখি।

## বেলোচিষ্টানগী চ্যেক পোষ্টশিংদা এটেক তৌদুনা সেক্যুরিটি পর্সনেল ৪ হাৎখ্রে

**ইস্লামাবাদ, জুলাই ২ (এজেন্সী):** নোংমাইজিং নুমিত্তা পাকিষ্টানগী বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী সেরানি সব দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ধানাসর এরিয়াদা লৈবা পুলিস অমসুং নেভিশিংগী চ্যেক পোষ্টশিংদা এটেক চথুরকখিবগা লোয়নননা পুলিস ওফিসল অহুম অমসুং ফ্রন্টিয়র কন্সটিবুলেরি (এফ সি) গী পর্সনেল অমা শিখ্রে অমদি টেররিষ্ট অমসু হাৎখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি।

দোনগী রিপোর্টনা হায়রিবদি চ্যেক পোইন্টশিংদা চথুরকখিবা এটেকশিং অদুদা শিখিবশিং অদু সেরানিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর (দি সি) বিলাল সবিরনা কনফার্ম তৌখি। মহাক্কী মতুং ইন্না সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং টেররিষ্টশিংগী মরক্তা পুং ২ রোম চুপ্না নোংমৈ কাপ্নখি।

সবিরনা হায়খি, মদুদি এটেক অদুদা এফ সিগী পর্সনেল অমা অশোক অপন নঙখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ফিভম খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নখিবদা টেররিষ্ট অমা শিখি অমসুং অতৈ অনীনা অশোক অপন নঙখি।

শোকপা নঙলবা টেররিষ্টশিং অদুগী খোঙবুশিং অদুনা মখোয়গী মফম অদুদগী মায় পাক্লা পুথোকপা ঙমখি। অশিবা টেররিষ্ট অদুগী হকচাং সি পি দি (কাউন্টর-টেররিজম দিপার্টমেন্ট)দা শিন্নখ্রে হায়না দোনগী রিপোর্ট অদুদা পনখি।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা অথিংবা থমখ্রবা টি টি পিনা গভর্ণমেন্টগা য়ানখিবা সিজ ফায়র লোইশিনখিবা মতুং পাকিষ্টানদা মরু ওইনা খাইবর পাক্তুনখুৱা অমসুং বেলোচিষ্টানদা টেরর এক্তিভিটিশিং হেনগৎলকখিবনি।

নুমিৎ অসিগী মমাঙগী নুমিত্তা ক্বেটাগী স্মার্ট পুলিস ষ্টেসনদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা চথুরকখিবা এটেক্তা পুলিস কন্সটেবল অমা শোকখিবনি।

## ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি সেক্যুলরশিংগী ভাইওলেন্স হেনগৎলকপগী ৱার্নিং তৌখ্রে

**রমালা, জুলাই ২ (এজেন্সী):** পলেষ্টিনিয়নশিং অমদি মখোয়গী প্রোপর্টিশিংদা চথবা এটেকশিং হেনগৎলকপা য়াওনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি সেট্টলরশিংগী ভাইওলেন্স হেনগৎলকপগা মরী লৈননা পলেষ্টাইননা ৱার্নিং তৌখ্রে।

খুৎলায় পায়দবা পলেষ্টিনিয়ন মীচমশিং অমসুং মখোয়গী য়ুমশিংদা ইজরেল্লি সেট্টলরশিংনা এটেক কয়া চথখিবগী মতাংদা পল্লদুনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা পলেষ্টিনিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়রিবদি হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্ককী মফম খুদিংমক্তা ইজরেল্লি সেট্টলরশিংগী ভাইওলেন্স হেনগৎলকপগা লোয়ননা মফম অয়াম্বদা শন্দোরকখি।

ইজরেল রেদিওগী রিপোর্টনা ইজরেল্লি সেক্যুরিটি ছোর্সশিংনা ইজরেল্লি গভর্ণমেন্টবু ৱেষ্ট বেঙ্কতা পলেষ্টিনিয়নশিংগী মায়োক্তা সেট্টলরশিংনা চথুরিবা ভাইওলেসনগী থৌওংশিং সেক্যুরিটি সর্ভিসেসশিংবু দিল তৌহনখিদে হায়না মরাল শীখিবা মতুংদা পলেষ্টিনিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ইজরেল্লি আর্মি অমসুং গভর্ণমেন্টনা সেট্টলর গ্রুপশিং অসিবু সপোর্ট তৌখি অমসুং প্রোটেক্সন পীখি হায়বসি ময়েক শেংলে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

## য়ুপিদা ২০২০ গী জনুৱারীদগী খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা পুলিসনা গেঙষ্টর ১৬ হাৎখি

**লক্ষ্ণৌ, জুলাই ২ (এজেন্সী):** উত্তর প্রদেশতা পুলিসকা খুৎ থোক্লবগী তোঙান তেঙানবা থৌদোকশিংদা গেঙষ্টর অমসুং মখোয়গী গেঙ মেম্বর ১৬ হাৎখ্রে অমসুং তোঙান তোঙানবা কেস ৪২ দা মাফিয়োসি ১৯ য়াওনা অতৈ ৫৫ কনভিক্সন পীবগা লোয়ননা শিবগী চৈরাক অমদি তোঙান তোঙানবা মতমগী জেলগী চৈরাকশিং পীখি।

কুমজা ২০২০ গী জনুৱারীদগী চহী ৩ মখায়রোমগী মনুংদা ষ্টেট পুলিসনা মাফিয়োসি ৬৯ অমসুং মখোয়গী গেঙ মেম্বর ১১৫৩ গী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎখি।

য়ুপি পুলিসকী স্পেসল দিরেক্তর জেনরেল (এস দি জি, লো এন্দ ওর্দর) প্রসান্ট কুমারনা হায়খি, মদুদি ষ্টেট পুলিসনা ক্রিমিনেলশিং অমসুং মাফিয়োগী মায়োক্তা অকনবা এক্সনশিং লৌখৎখি অমসুং মখোয়না পায়রম্বা লুপা ক্রোর ৩,৫১৬ কী প্রোপর্টিশিং সিজ তৌবগা লোয়ননা মাঙহন তাকহনখি।

মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট কন্ট্রেক্টশিং অমসুং অতৈ থবক থৌরমশিংদা ক্রিমিনেলশিং অমসুং মাফিয়োসি চেন্নরম্বগী থৌওংশিং নীংথিনা লাকশিনবা ঙমদুনা অরেম্বদা মাঙলমগদবা শেনফমশিং কনবা ঙমখি।

প্রসান্ট কুমারনা মখা তাখিবদা ক্রিমিনেল ইলিমেন্টশিং অসিগী মায়োক্তা কেস ৬৫০ লৌখৎপগা লোয়ননা মখোয়গী মনুংদগী য়ামদ্রবদা ৫৪৯ ফাগৎখ্রে।

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open (New Batches)
FOUNDATION COURSES
Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (English, Maths, Science & Social Science)
Special features:
- Experienced and Expert Faculties.
- Special Concession for Meritorious, Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
- Counselling & Extra Classes for Slow Learners
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2024.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes Commencing from 6th July, 2023
# Morning:(4.30– 7.00) A.M. # Evening:(3.30– 6.30) P.M.
For Details Contact:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin) # 6033817130
HL-P/6960/30-6 to 29-7

(A co-educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM)
DELTA ADVANCE SCHOOL
Kwakeithel Bazar, Imphal
ADMISSION OPEN
for Class XI (Science & Arts)
first come first serve (in view of the Present situation)
80% & above ☞ FREE Admission + 50% exemption on FEEs
70% & above ☞ ADMISSION ₹1,000/-
3 months school fee should pay at the time of Admn.
60% & above ☞ ADMISSION ₹2,000/-
below 60% ADMISSION ₹5,000/- only
HOSTEL, seats are limited
Office Timing: (Sunday Open) 7:00 am to 4:00 pm
Last date of Admn. extended till : 7th July, 2023
We have 2 years Integrated course for NEET & JEE
Bus & Van service
Hostel for Boys/Girls
# For Forms & Admission, pls. visit Office of DAS or contact: Principal or 8575348209 / 8014684119
Free Admission & Tuition fee for 1 year for students staying in the Relief Camp
HL-P/6925/1-7